# হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভসনা অনীরকশুবা ওইনা মরাল শীরকপদগী ত্রম্পনা ঈরাং অদু কন্দেম তৌখ্রে



ন্যু য়োর্ক, জন্যুৰারী ১৪ (এজেন্সী) : যুনাইটেদ ষ্টেটসকী হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভসনা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পপু অনীরকশুবা ওইনা মরাল শীরকপগী পুৱারী শেমখিবগা লোয়ননা মহাক্না থা অসিগী ৬ তা কেপিটোলদা মহাক্কী সপোর্টরশিংনা চথখিবা থৌওং অদু কন্দেম তৌখ্রে।

খোঙথাং অসিগা লোয়ননা মহাক ওফিস থাদোক্লবা মতুংদা সিনেট ত্রাইএল চথরগনি অমদি লিগেল এক্সন মায়োক্লরগনি। কেপিটেলদা চথখিবা এটেক অদুগা মরী লৈননা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা হাউসনা মহাকপু লৈঙাক্কী মায়োক্তা ঈরাং তৌহনবগী মরাল শিখি অমসুং ইম্পিচমেন্টগী ৱারোল অদুদা করিগুম্বা মহাক্না মখা তানা ওফিস পায়হল্লবদি নেস্নেল সিক্যুরিটি, দিমোক্রেসি অমসুং কন্সটিট্যুসনদা থ্রেট অমা ওইদুনা লৈগনি হায়না পনখি।

ভোট লৌনবদা ইম্পিচমেন্ট অদু ভোট ২৩২ না এপ্রুভ তৌখি। মেম্বর ২২২ গী দেমোক্রেটিক কন্টিনজেন্টতা রিপব্লিকান ১০ য়াওশিনখি। রিপব্লিকান ১৯৭ না মদুগী মায়োক্তা ভোট পীখি অমসুং রিপব্লিকান ৪ ভোট লৌনবদুদা য়াওখিদে।

দোনাল্ড ত্রম্প কুমজা ২০১৯ দা অহানবা ওইনা ইম্পিচ তৌখি। মহাক্কী মথক্তা পৱার লান্না শীজিন্নবগী মরাল শিখি। তৌইগুম্বসুং মহাক কুমজা ২০২০ দা চথখিবা সিনেট ত্রাইএলদা এক্বিট তৌখি। মহাক অনীরক ইম্পিচ তৌরবা অমেরিকাগী অমত্তা ঙাইরবা প্রসিদেন্টনি।

হাউসনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা পাস তৌখিবা রিজোল্যুসন অমা ভাইস প্রসিদেন্ট মাইক পেন্সনা থৌশাখিদ্রবা মতুংদা ইম্পিচমেন্টগী খোঙথাং অসি লাকপনি। ভাইস প্রসিদেন্টনা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ২৫ চৎনহন্দুনা প্রসিদেন্সি পায়শিন্নবা হাউসকী রিজোল্যুসন অদুনা দিমান্দ তৌখি। আর্টিকল ২৬ না পেন্স অমদি কেবিনেটকী অয়াম্বা মেম্বরশিংবু ত্রম্প প্রসিদেন্ট ওইবদা মতিক চাদ্রে হায়না লাউথোকপা য়াহনগদৌরিবনি।

হাউসকী স্পিকর নেন্সি পেলোসিনা ইম্পিচমেন্টগী আর্টিকলশিং সাইন তৌরিঙৈদা ত্রম্পনা ভিদিও অমা থাদোরকখি। মদুদা হৌখিবা চয়োলদা থোকখিবা কেপিটোলগী ভাইওলেন্স অদু মহাক্না করিমত্তা চিংননিংঙাই লৈতনা কন্দেম তৌই হায়খি।

সোসল মীদিয়া শীজিন্নবদা অথিংবা থমখিবদগী মহাক্না ভিদিও অদু হোয়াইট হাউসকী ত্বিটর একাউন্ট অমদা থাগৎখি।

'মেক অমেরিকা গ্রেট এগেন' হায়বা খোল্লাউ পামজবা মহাক্কী খোংলোইশিংদগী লৈথোক্তুনা হৌখিবা চয়োলগী এটেকশিং অদুদা চেন্নবা মীওইশিং ৱায়েল মায়োক্ন গনি হায়না ত্রম্পনা পোষ্ট অদুগী খুথাংদা ফোঙদোকখি।

# সাউথ কোরিয়াগী হান্নগী প্রসিদেন্ট পার্কগী জেলগী চৈরাক সুপ্রিম কোর্টনা শৌখৎখ্রে

*সিওল, জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সী) : করপসনগী ৱাথোক অমগা মরী লৈননা সাউথ কোরিয়াগী হান্নগী প্রসিদেন্ট পার্ক গিয়ুন হ্যেদা লৱার কোর্ট অমনা পীখিবা চহী ২০ জেলদা লৈবগী চৈরাক লৈবাক অসিগী সুপ্রিম কোর্টনা শগোলশেন নুমিত্তা অপহেল্ড তৌখ্রে।*

*সাউথ কোরিয়াগী হান্নগী হেদ ওফ ষ্টেট পার্কপু ইম্পিচ তৌবগী খোঙথাং লাকহনখিবা করপসনগী ৱাথোক অদুগী অহানবা ৱায়েলদা কোর্টনা কুমজা ২০১৮ মহাকপু চহী ২৪ জেলদা লৈনবা খঙহনখি। মতম শাংনা মহাক্না থাজননা তিন্নরকখিবা চোই মুন সিল কৌবী মমান্নবী অমা চেন্নবা করপসনগী ৱাথোক অদু নৌনা ৱায়েল চথবদা জেলগী চৈরাক অদু চহী ২০ দা হন্থহনখিবনি।*



*হায় কোর্টনা কুমজা ২০০২ গী জুলাইদা পীখিবা রুলিং শৌগৎলদুনা সুপ্রিম কোর্টনা পার্কপু শেল চারম্বগী ৱাথোক অমগা মরী লৈননা চহী ১৫ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখি অমসুং অতৈ চাজ শিংগা মরী লৈননা অহেনবা চহী মঙাসু জেলদা লৈনবা, ফাইন ওইনা ৱোন মিল্লিয়ন ১৮ (দোল্লর মিল্লিয়ন ১৬) থিহন্নবা অমদি ৱোন বিল্লিয়ন ৩.৫ গী শেনফম মৎনবা খঙহনখি।*

*অপিলেট কোর্টনা কুমজা ২০১৯ দা অপূনবা চৈরাক ওইনা পীখিবা জেলদা চহী ৩০ লৈবগী চৈরাক্তগী খরা কোমথোক্লগা চহী ২০ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখিবনি।*

*মতমদুগী লৈঙাক পায়রিবা সেনুরি পার্টিগী লোমেকর কেন্দিদেটশিংগী নোমিনেসন প্রোসেসতা লোনা য়াদবা মওংদা খুৎ থিংজিনখিবগীদমক্তসু চহী অনী জেলদা থম্নবসু কোর্টনা তোঙানবা ৱায়েল অমদা খঙহনখি।*

*কুমজা ২০১৭ গী মার্চতা মফম লৌথোকখিবা পার্ক করপসনগী ৱাথোক্না মরী লৈননা ইম্পিচ তৌখিবা সাউথ কোরিয়াগী অহানবা প্রসিদেন্টনি। মহাকপু মতম শাংনা থাজননা তিন্নরকখিবা মহাক্কী মমান্নবী চোই সুন সিলগা লৌতুনরগা সেমসং য়াওনা অচৌবা কোঙ্গলোমিরেটশিংবু চোইনা কন্ত্রোল তৌরিবা ফাউন্দেসন অনীদা দোল্লর মিল্লিয়ন কয়া নমদুনা দোনেসন তৌহনখি হায়না মরাল শখি।*

*হান্নগী প্রসিদেন্ট অসি নেস্নেল ইন্টলিজেন্স সর্ভিসকী মকোকশিংদগী শেল চাবগী মরাল শীবসু লৈখ্রবনি।*

# হোং কোংগী টেলিকোমস প্রোভাইদরনা অহানবা ওইনা ৱেবসাইট ব্লোক তৌখ্রে

হোং কোং, জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সী) : হোং কোংদা চৎনহল্লিবা নেস্নেল সিক্যুরিটি লোগী মতুং ইন্না কুমজা ২০১৯ গী এন্টি গভর্ণমেন্ট প্রোটেষ্টশিংগা মরী লৈনবা মেটরিএল ফোংবা ৱেবসাইট অমা ব্লোক তৌরে হায়না হোং কোং ব্রোদবেন্দ নেটৱার্ক (ঐচ কে বি এন) না শগোলশেন নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

খোঙথাং অসি বৈজিংনা হোং কোংদা চৎনহল্লিবা নেস্নেল সিক্যুরিটি লোগী মখাদা লোকেল ৱেবসাইট সেন্সর তৌবগী অহানবা থৌদোক্নি। ম্যেনলেন্দ চাইনাদা ইন্টরনেট সেন্সর তৌদুনা মপানগী সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্মশিং অমসুং ন্যুজ সাইটশিং ব্লোক তৌরবসু চাইনানা লৈঙাক্লিবা হোং কোংগী মীয়ামগী ওইনদি ৱান এনত্রি, টু সিষ্টেমস ফ্রেমৱার্ককী মখাদা ফ্রীদম হেন্না ফঙদুনা লাকখি।

নেস্নেল সিক্যুরিটি লোগী মতুং ইন্না তঙাইফদবা খোঙথাং ওইনা ঐখোয়না ৱেবসাইট অদু শীজিন্নবা য়াহন্দ্রে হায়না ইন্টরনেট সার্ভিসেস প্রোভাইদর ঐচ কে বি এনগী স্পোক্সপার্সন অমনা ঈ-মেল অমগী খুখাংদা এজেন্সিদা ফোঙদোরকখি। মহাক্কী মতুং ইন্না ৱেবসাইট ব্লোক তৌবগী খোঙথাং অদু জন্যুৱারী ১৩ দা লৌখৎখিবনি।


ঐচ কে ক্রোনিকলস কৌবা ৱেবসাইট অদুনা অহানবা ওইনা হৌখিবা চয়োলদা সার্ভিসতা অকায়বা পীরক্লে হায়না রিপোর্ট তৌখি। নোংমাইজিং নুমিত্তা সাউথ চাইনা মোর্নিং পোষ্ট পাউচেনা মশক মমিং পন্দবা সোর্ছশিং পল্লদুনা হোং কোং পুলিসনা অহানবা ওইনা সিটি অদুদা চৎনরিবা অনৌবা নেস্নেল সিক্যুরিটি লো অদুগী মখাদা ঐচ কে ক্রোনিকলস ব্লোক তৌরগনি হায়খি।

ৱেবসাইট অসিনা এন্টি গভর্ণমেন্ট পোষ্টশিং খনবগা লোয়ননা হোং কোংগী পুলিস ওফিসরশিংগী পর্সনেল ইনফোর্মেসন চাং নাইনা ফোংদুনা লাকখি। ৱেবসাইট ব্লোক তৌবগী পাউ অসিনা লোকেল মীওইশিং অমসুং এক্টিভিষ্টশিংদা নুংনাংবা কোকহনখি।

ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা এজেন্সিনা হংবদা হোং কোংগী অতৈ মরু ওইবা সার্ভিস প্রোভোইদরশিং চাইনা মোবাইল অমসুং পি সী সী দব্লিউনা খুদক্কী ওইনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকখিদে। হোং কোং ক্রোনিকলসনা হৌখিবা চয়োলদা থেংনখিবা প্রোব্লেমশিংগী মতাংদা হংবদা ঐচ কে বি এননা কম্মেন্ট পীরকখিদে। হোং কোং সিক্যুরিটি ব্যুরোদা হংবদা পুলিসনা অশেংবা ওইরক্লিবা ফীভম অমসুং লোগী মতুং ইন্না থবক তৌগনি হায়না ফোঙদোকখি।

বৈজিংনা হৌখিবা জুনদা হোং কোংদা চৎনহনখিবা সিক্যুরিটি লেজিসলেসন অদুগী মখাদা পুলিসনা সর্ভিস প্রোভোইদরশিংদা নেস্নেল সিক্যুরিটিদা অকিবা পীবা ইলেক্ট্রোনিক প্লেটফোমশিং নত্রগা মেসেজশিং থিংনবা হায়বা ঙম্মী।

# সিক্যুরিটিগী মতাংদা ফেদরেল ওফিসলশিংনা প্রসিদেন্ট ওইরগদৌবা বাইদেনদা ব্রিফিং তৌখ্রে



ৱাশিংটন, জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সী) : থা অসিগী ৬ তা কেপিটোলদা মীশি মিনা য়াওবা ঈরাং থোকখ্রবা মতুংদা যু এসকী প্রসিদেন্ট খল্লবা জো বাইদেনবু ফেদরেল ওফিসলশিংনা মহাক্কী ৱাশক লৌবগী থৌরমগা মরী লৈনবা সিক্যুরিটিগী মতাংদা ব্রিফ তৌখ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অমদা বাইদেনগী ত্রাঞ্জিসন টিমনা হায়, প্রসিদেন্ট ওইরগদবা বাইদেন ফেদ্দরেল ব্যুরো ওই ইনভেষ্টিগেসন, যু এস সিক্রেট সর্ভিসকী সিনিয়র ওফিসশিং অমসুং মহাক্কী নেস্নেল সিক্যুরিটি টিমগী মীওইশিংনা ব্রিফ তৌখ্রে।

হন্দক্তা কেপিটোলদা থোকখিবদু য়েংলগা হৌজিক সিক্যুরিটিদা করি করম্বা অকিবা পীরকপা য়াবগে হায়বগী মতাংদা টিম অসিনা হৌজিক্কী এদমিনিষ্ট্রেসন অসিগা পাউ ফাওনরি।

যু এসকী ষ্টেট কেপিটোল ৫০ মক্তা জান্যুৱারী ১৭ তগী জন্যুৱারী ২০ ফাওবা যু এস কেপিটোলদা খুৎলাই য়াওরগা প্রোটেষ্ট চথনবগী থৌরাং তৌবা লৈরে হায়না ফেদরেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসননা ৱার্নিং তৌখিবা মতুংদা ত্রাঞ্জিসন টিমনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকপনি।

বাইদেনবু প্রসিদেন্ট ওইনা অমসুং কমলা হেরিসপু ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা খনখিবা ইলেক্টোরেল কোলেজগী ভোটশিং রেক্টিফাই তৌনবা জান্যুৱারী ৬ তা কোংগ্রেসকী সেসন চথরিঙৈ মনুংদা কেপিটোল বিল্ডিংদা ত্রম্প শৌগৎপশিংনা এটেক তৌবগী থৌদোক্তু থোকখিবনি।

ঈরাং অদুদা পুলিস ওফিসর অমা য়াওনা মীওই মঙা শিখি। ত্রাঞ্জিসন টিমনা ব্রিফিং অদুগী অকুপ্পশিংদি হায়খিদে। জন্যুৱারী ২০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুগীদমক্তা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা সিক্রেট সার্ভিসনা সিক্যুরিটিগী অখন্নবা থৌরাংশিং লৌখৎপা হৌখ্রে। ৱাশিংটন দি সীদা য়ামদ্রবদা নেস্নেল গার্দকী গ্রুপ ২০,০০০ দিপ্লোই তৌরবা য়াই।

# মালিদা যু এনগী পিছকিপ্পর মরি হাৎখ্রে



বামাকো, জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সী) : য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মালিগী ময়াই থংবা শরুক্তা পিছকিপ্পর মরি শিখ্রে অমসুং অতৈ মঙা অশোক অপন নংখ্রে।

পিছকিপ্পরশিং য়াওবা কনভোই অমদা বোম অমা পোকখায়হনখিবগা লোয়ননা নোংমৈনা এটেক তৌখি হায়না যু এননা ফোঙদোরক্লি। টিমবুক্তু রিজনগী জম্বারা মাউদে টাউনগী অৱাংলোমদা কিলোমিটর ২০ লোম লাপ্না লৈবা মফম অমদা চথরকখিবা এটেক অদু কনাগী খুৎনো হায়বসি শেংনা খঙবা ঙমখিদে।

অল কৈদা অমসুং ইস্লামিক ষ্টেটকা মরী লৈনবা ইস্লামিষ্ট গ্রুপশিং লমদম অদুদা ওপরেট তৌরিবনি। মখোয়না ৱেষ্ট অফ্রিকাগী লৈবাক অদুদা লৈঙাক লৈতবা কাংখোং চাইবগী ফীভম লাকহনখি।

মালিদা লৈবা মিনুসমা হায়না খঙনবা যু এন মিসনগী ষ্টেটমেন্ট অমদা এটেক অদুদা পিছকিপ্পর অহুম শিরে অমসুং তরুক শোক্লে হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখি। মদুগী মতুং শগোলশেন নুমিত্তা মিনুসমাগী স্পোক্সমেন অমনা অশোকপা মীওই অমা শিরে হায়খি।

শিরিবা পিছকিপ্পরশিং অদু আইভরি কোষ্টতগীনি হায়না লৈবাক অসিগী দিফেন্স মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখ্রে। মালিগী অৱাং অমসুং ময়াই থংবা শরুক্তা খুৎলাই পায়বা গ্রুপশিংনা চথরিবা হাৎপা তুপ্পা অমদি মাংহন তাকহনবগী থবক থৌওংশিং লাকশিন্নবা লৈবাক অসিদা মিনুসমাগী ত্রুপ ১৩,০০০ হেন্না লৈ। কুমজা ২০১৩ দগী হৌজিক ফাওবদা মিসন অসিগী মীওই ২৩০ রোম শিখ্রে। মদু যু এনগী পিছকিপ্পিং মিসন ১০ হেনবগী মনুংদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না শিবনি হায়না লৌনরি।

# টেহরান রিছর্চ রিয়েক্টরগী ফ্যুএল অপগ্রেদ তৌনবা ইরাননা রিছর্চ হৌখ্রে

টেহরান, জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সী) : টেহরান রিছর্চ রিয়েক্টরগী ফ্যুএল অপগ্রেদ তৌনবগী রিছর্চ অমসুং দিভলপমেন্টগী থবক হৌরে হায়না ইরানগী অম্বেসেদর অমসুং ভিয়েন্নাদা বেজ তৌবা ইন্টরনেস্নেল ওর্গনাইজেসনশিংদা পর্মিনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিভ ওইনা লৈবা কাজেম ঘারিভাবাদিনা ফোঙদোকখ্রে।

ইরাননা টেহরান রিছর্চ রিয়েক্টরগী ফ্যুল অপগ্রেদ তৌবা হৌরে হায়বসি ইন্টরনেস্নেল এটোমিক ইনর্জি এজেন্সি(আই এ ঈ এ) গী মেম্বরশিংদা খঙহনবা রিপোর্ট অমা এজেন্সি অসিনা ফোঙদোখ্রে হায়না ঘরিভাবাদিনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লাউথোকখ্রে। ইরানগী অম্বেসেদর অসিনা হায়খি মদুদি ফ্যুএল অপগ্রেদ তৌবগী থবক অদু তাঙ্কক অহুম থোক্না পায়খৎকনি অমসুং অহানবা তাঙ্কক্তা নেচরেল যুরেনিয়ম শীজিন্নরগা মেটল যুরোনিয়ম পুথোক্কনি। ইরাননা ইন্টরনেস্নেল এজেন্সি অসিদা তাঙ্ককশিং অসি খঙহনখি। টেহরাননা হৌজিক প্রোসেস অসি মখা চথরগনি। নুমিৎ কয়ানিগী মমাংদা আই এ ঈ এগী ইন্সপেক্টরশিংনা ফ্যুএল প্লেট প্রদক্সন প্লান্ট য়েংশিনখি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। ইরাননা অথিংবশিং থেংননবা পায়খৎপা ষ্টেটেজিক এক্সন প্লানগী শরুক অমা ওইনা থা অসিগী মরিদা যুরেনিয়ম চাদা ২০ ইনরিচ তৌবগী প্রোসেস হৌখি। ষ্টেটেজিক প্লান অসি পোর্লিয়ামেন্টনা কুমজা ২০২০ গী দিসেম্বরদা এপ্রুভ তৌখিবনি। যু এসনা কুমজা ২০১৮ দা ন্যুক্লিয়র দিলদগী ৱিথদ্রো তৌরগা অথিংবশিং অমুক হন্না থমখিবগী পাউখুম ওইনা ইরাননা দিল অদুগী তৌগদবশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌবা লেপখি।

# ইমর্জেন্সি লোইশিন্নবা ওপোজিসন লিদরনা নিংথৌদা হায়জরগনি

*কুলা লম্পুর, জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সী) : মালেসিয়াদা কোরোনা ভাইরস লাকশিন্নবা থমখিবা ইমর্জেন্সি লোইশিন্নবা নিংথৌদা ৱাকৎলগনি হায়না লৈবাক অসিগী ওপোজিসন লিদর অনৱার ইব্রাহিমনা শগোলশেন নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।*

*ইমর্জেন্সি থল্লিবদু প্রাইম মিনিষ্টরনা মখাতানা পৱার পায়দুনা লৈবা য়ানবনি হায়নসু অনৱারনা ফোঙদোকখি। মালেসিয়াদা কোরোনা ভাইরসকী লায়চৎ লাকশিন্নবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা নিংথৌ অল-সুল্টান অব্দুলাহনা নেস্নেল ইমর্জেন্সি লাউথোকপগা লোয়ননা পার্লিয়ামেন্ট সস্পেন্দ তৌখি। ওপোজিসন্না মদু লৈবাক্কী পৱার পায়নবা অঙম তান্নবা লৈরিঙৈদা প্রাইম মিনিষ্টর মুহিদ্দিননা মখা তানা পৱার পায়বা য়ানবগী থৌশিল অমনি হায়খি।*

*মহাকপু শৌগৎলক্নবা ফেদরেল লোমেকরশিংনা থাবা লেটর অমদা অনৱারনা মুহিদ্দিন অমদি গভর্ণমেন্টবু ইমর্জেন্সি লাউথোক্নবগী প্রপোজেল পীশিন্দুনা নিংথৌবু লান্না লমজিংই হায়না মরাল শীখি অমসুং হৌখিবা চৎনরিবা লোশিংগী প্রোভিজনশিংগী মখাদা লায়চৎ লাকশিনবা য়াই হায়খি।*

*তোঙানবা ষ্টেটমেন্ট অমদা অনৱারনা ইমর্জেন্সি লৌথোক্নবা নিংথৌনা ৱাখল তৌবিগদবনি লোয়ননা ইমর্জেন্সি, পেন্দমিক অমসুং শেল থুমগী ইস্যুশিং খন্ননবা জন্যুৱারী ৩১ দা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম কৌগদবনি হায়খি।*

*চহী ৫০ হেনবগী মনুংদা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক অসিদা ইমর্জেন্সি থম্বা হন্দক্কীসিনা অহানবনি অমসুং পার্লিয়ামেন্ট সস্পেন্সনদা থম্বনা কুমজা ১৯৫৭ তা বৃটেন্দগী নীংতম্বা ফঙখিবদগী অনীশুবনি। ইমর্জেন্সি অদু লায়না লায়চৎকী ফীভমগী মতুং ইন্না ওগষ্ট ১ ফাওবা চৎনবা য়াই।*

# সুদাননা ইথিওপিয়াবু বোর্দরগী দিলশিং খোঙ্গাওনবগী মরাল শীখ্রে

*খার্টুম, জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সী) : সুদানগী নেস্নেল বোর্দরস কম্মিসননা ইথিওপিয়াবু লৈবাক অনীগী মরক্তা খুৎয়েক পীনখিবা বোর্দর এগ্রিমেন্টশিং খোঙ্গাওনৈ হায়না মরাল শিখ্রে।*

*কম্মিসনগী মকোক মাজ টেঙ্গোনা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা ভোটরগী য়েৎনবা ৱাফমগী মতাংদা এম্বেসেদরশিং, দিপ্লোমেটশিং অমসুং সুদানদা লৈরিবা রিজনেল অমদি ইন্টরনেস্নেল ওর্গনাইজেসনশিংগী মীহুৎশিংদা ব্রিফিং তৌখি।*

*ইথিওপিয়ানা কুমজা ১৯৫৭ তগী হৌনা লোনা য়াদবা মওংদা সুদানগী লমদা হেঞ্জিন্দুনা লাক্লি হায়না টেঙ্গোনা ব্রিফিং অদুদা ফোঙদোকখি।*

*বোর্দর এগ্রিমেন্টশিং অদুদা য়াওরিবা ইথিওপিয়ানা তৌগদবা কয়া লৈবাক অসিনা কুমজা ১৯০৩ দগী থৈদোক্তুনা লাক্লি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। টেঙ্গোগী মতুং ইন্না ইথিওপিয়ন আর্মর্দ ফোর্সেসনা লোনা য়াদবা মওংদা চঙশিল্লকখিবা লমশিং সুদানগী শরুক্তি হায়বা লৈবাক অসিগী ক্লেম শৌগৎপা দোক্যুমেন্ট কয়া লৈরি।*

*মদুগী মমাংদা সুদানিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবা অমদা য়াম্না চুমদবা কাইহৌবগী থৌওং অমদা ইথিওপিয়া মিলিটরি প্লেন অমা সুদানগী বোর্দর লানশিল্লকখি হায়খি। কুমজা ২০২০ গী সেপ্তেম্বরদগী সুদান ইথিওপিয়া বোর্দরদা উংখৎনবা হেনগৎলকখি। নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্নবা তোয়না থোকখি।*

*সুদানগী গাদারেফ ষ্টেটকী লোকেলিটি মঙাগী মনুংদা অমা ওইরিবা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈবা প্লেন বোর্দর এরিয়া ফাসাগাদা ইথিওপিয়াগী মিলিস্যাশিংনা তোয়না এটেক তৌদুনা লাকখি। এটেকশিং অদু মরু ওইনা লৌউ শিংউগী শেম শানরকপা মতমদা থোকখি।*

# হৌথিশিংগা লান্থেংনবদা মীওই কয়া শিরে

সানা, জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সী) : য়েমেনগী ময়াই থংবা মরিব প্রোভিন্সতা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিং অমদি হৌথি রেবেলশিংগী লাল কনশিল্লকখিবগা লোয়ননা ফাইটটর কয়ামরুম শিখ্রে হায়না গভর্ণমেন্ট সোর্ছ অমনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা সোর্ছ অদুনা সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা সাউদর্ন মারিবকী জবাল মুরাদ দিষ্ট্রিক্তা নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লখি।

হৌথিনা চলাইবা অলমসিরাহ টিভিনা ফোঙদোকখিবদা য়েমেনি গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিং শৌগৎলিবা সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসননা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা জবালমুরাদ দিষ্ট্রিক্টকী চীং খরদা পোজিসন লৌদুনা লৈরিবা হৌথি ফাইটরশিংদা পরিং নাইনা এয়রষ্ট্রাইক চথবা হৌখি। জবাল মুরাদ দিষ্ট্রিক্ট অসি হৌথি কাঙবুনা পায়শিল্লিবা কেপিটেল সানাদগী নোংপোক্লোমদা কিলো ১৭০ রোম লাপ্না গভর্ণমেন্টনা পায়শিল্লিবা প্রোভিন্স অদুগী অকোয়বদা য়েমেনগী য়েংথিনরিবা ফোর্সশিং মরক্তা লৈরিবা ফ্রন্টলাইন কয়াগী মনুংদা অমনি।

কুমজা ২০১৪ দা ইরাননা শৌগৎপা হৌথিশিংনা অৱাং থংবা প্রোভিন্স কয়া পায়শিনবগা লোয়ননা মালেম্না শকখঙবা প্রসিদেন্ট অবদ-রাবু মানসৌ হাদিগী গভর্ণমেন্টবু কেপিটেল সনাদগী হন্দোকখিবদগী য়েমেনদা সিভিল ৱার থোক্তুনা লাক্লি।

# অল কাইদানা এটেক কয়া চথনবা থৌরাং তৌরি হায়বা ৱাফম বাংলাদেশনা য়াখিদ্রে

ধাকা, জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সী) : বাংলাদেশনা অল কাইদানা এটেক কয়া চথনবা থৌরাংলি হায়বা যু এস সেক্রেটরিওফ ষ্টেট মাইক পম্পিওগী ক্লেম ধাকানা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।



পম্পিওনা হায়রিবদু মথৌদাং খঙজদবগী মতৌ চেনবা লাইবকথিবা ৱাফমনি হায়না বাংলাদেশ গভর্ণমেন্টনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি। ধাকাদা ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা পম্পিওগী ৱাফম অদুবু য়ুন্সফম য়াওদবা অমসুং অশেংবা লৈরিবা ফীভম লান্না উহন্নবা হোৎনবগী থৌওংনি হায়না য়ুমশকৈশগী নুমিদাংদা ফোঙদোকখিবনি।

বাংলাদেশতা অল কাইদা টেরর গ্রুপ লৈ হায়বগী ইভিদেন্স অমত্তা লৈতে হায়না বাংলাদেশ গভর্ণমেন্টকী ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি। ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা হায়, থৌনা লৈবী প্রাইম মিনিষ্টর শৈইখ হসিনাগী লিচিং মখাদা বাংলাদেশতা মওং খুদিংমক্কী টেররিজম অমসুং শিবা শোকপা য়াওবা য়াবা কা হেনবা থবকশিংগী তুমিন্না য়েংদুনা লৈতবগী পোলিসি অমা চৎনদুনা লাক্লি। লৈবাক অসিনা টেররিজমগী মায়োক্তা লৌখৎখিবা খোঙথাংশিং মালেম পুম্বনা থাগৎনখি।

টেররিজম থেংনবগী ফিরেপকা চান্ননা ঐখোয় ইন্টরনেস্নেল কাউন্টর টেররিজম কনভেন্সন ১৪ মক্কী পার্টি অমনি। লোয়ননা টেররজিম থেংনবগী শরুক অমা ওইনা ঐখোয় শাথিবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবা মালেমনা পায়খৎলিবা নত্রগা হোৎনরিবা থবকশিংদা চেন্নে।

যু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেটনা বাংলাদেশপু অল কাইদাগী থবক থৌরমশিং পাঙথোকফম অমা ওইনা পল্লিবসি য়ুন্সফম য়াওদে অমসুং ইভিদেন্স লৈতে হায়না বাংলাদেশনা লৌই। অসিগুম্বা ক্লেমশিংগী ইভিদেন্স লৈরবদি বাংলাদেশ গভর্ণমেন্টনা মথৌ তাবা থৌরাশিং হরাওনা লৌখৎকনি। তৌইগুম্বসুং শুপ্পগী ৱাখলনা শারগা অসিগুম্বা ৱাফম ফোঙদোরকপা ওইরবদি বাংলাদেশনা মদু লাইবকথিবনি হায়না লৌগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

# য়ুনাইটেদ ষ্টেটনা টাইৱানগীদমক্তা লেপ্লিঃ যু এস এজেন্সি

ন্যু য়োর্ক, জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সী) : য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা টাইৱানগীদক্তা লেপ্লি অমসুং মতম চুপ্পদা ঈথৎ অসিগীদমক্তা লেপকনি হায়না যুনাইটেদ নেসন্সতা লৈবা যু এস এম্বেসেদর কেলি ক্রাফনা ফোঙদোকখ্রে।



টাইৱানগী প্রসিদেন্ট সাই ইং-ৱেনগা ফোনদা ৱারী শানরবা মতুংদা ক্রাফনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। ৱারী শান্নবদুদা মঙোন্দা সাইনা টাইৱাননা মখা তানা যু এনগী মীফমশিংদা য়াওনবা হোৎনখিগনি হায়খি। যু এসকী ওফিসলশিংনা টাইৱানদা চৎপদা চাইনানা কন্না য়ানিংদবা উৎপা লৈরিঙৈ চয়োল অসিদা ক্রাফনা টাইপৈদা খোঙচৎ অমা চৎনবা থৌরাং তৌখি।

তৌইগুম্বসুং বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসন লাক্লমদাই ত্রাঞ্জিসনগী মাঙওইননা ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা লম চথোক চৎশিনগী থবক খুদিংমক থিংজিনখিবদগী খোঙচৎ অদু কেন্সেল তৌখি। জো বাইদেননা মথং চয়োলদা প্রসিদেন্সি পায়রকপদা হান্না লৌরম্বা থৌদাং থাদোক্লগদবা ক্রাফনা ত্বিটর পোষ্ট অমদা সাইগা ৱারী শান্নবা ফঙবসি অচৌবা প্রিভিলেজ অমনি হায়না ইখি।

টাইৱাননা হীরম কয়াদা মালেমগী মোদেল অমা ওইরি হায়বসি কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা হোৎনবদা মায় পাকপা, হেল্থ টেক্নোলোজি অমসুং সাইন্সকী লমদা ঈথৎ অসিনা উৎলিবশিংদগী মালেমনা খঙবা ঙম্মী। অসিগুম্বা হীরম কয়াগী মতাংদা সাইগা ৱারী শান্নখি। লায়বক থিবদি পিপলস রিপব্লিক ওফ চাইনানা অয়েৎ অপন পীবদগী টাইৱাননা অসিগুম্বা মায় পাকপশিং অসি ৱর্ল্ড হেল্থ এসেমব্লি য়াওনা যু এনগী মীফমশিংদা মরম চানা খঙহনবগী খুদোংচাবা ফঙদ্রি। যু এসনা টাইৱানগীদমক্তা লেপ্লি অমসুং মতম চুপ্পদা লেপকনি হায়বসি ঐহাক্না প্রসিদেন্ট সাইদা শেংনা খঙহনখি।

চাইনানা কন্না থিংবদগী টাইৱান অসি যু এনগী মেম্বর অমা ওইদবনা ক্রাফনা টাইৱানদা চৎলম্বা তারবদি মদু সিম্বোলিক খোঙচৎ অমা ওইরমগনি। শুপ্পগী বৈজিংনা ৱর্ল্ড ষ্টেজদা টাইৱানগী মহুৎ শীন্দুনা ৱা ঙাঙবা য়াই হায়না চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা হায়রিবনি। মখোয়গী ৱাফম অসি দিমেক্রেসি চৎপা টাইৱাননদি য়াদ্রি।